# “কায়রবা ঋতুগী তান্থা”

## EPISODE-43

**(Increase Risk of Diseases)**

*Script :*
**Dr. Irungbam Jamuna Devi**

**CHARACTERS :**

নুপা:- (১) থাগোই -খুনগী মচিল চৎপা মী (২) মঙালসনা - দোক্টর
(৩) লানঙম্বা - ইনভাইরোন্টমেন্টলিষ্ট
নুপী:- (১) থম্বালতোম্বী - থগোইগী নুপী
(২) থাদোইসনা - থাগোইগী মচানুপী

(মতম:- নুমিদাং, মফম: থাগোইগী য়ুম, মীচিক মীরাওখোন তাদ্রবা মতম)

থম্বালতোম্বী :- ইবেন্মা... থাদোই... থাদোইসনা... তারবো নঙবো... ইমানা চাক থোংবা লোইরে, চাক চাথোক্লসি লাকও...।

থাদোইসনা :- (নাহেবা) হুম... হুম... ইমা... ঐ চাক চানিংদরে, ইমাহোয় অদুম চাথোক্লো।

থাগোই :- কৈদৌরগেনে ইবেন্মা নঙবো, ঙসাই কোলেজদগী হেক হল্লকপদগী অদুম ফমুঙদা হীপ্পুনা লৈরিদুবো, চাক অশাবসে খজিক্তং ওইরসু চাশিনলরলাওনে, হোরেল অহিং তুম্বা য়াররোইনে চরাম চদৎনরবদি।

থম্বালতোম্বী :- অস ! চানিংদরে হায়রমক্তদা অদুম কৌ লৈ, ইমাগা বাবাগা চারো হায়বনে।

থাগোই :- থাম্বালতোম্বী ! স্বাইদগীসুম কৌ লৈবনদি নচানুপীসে শুংহৌ হৌগৎলকঅরোই, চৎলোনে নঙবো মখুৎ পায়রগা ফমুংদগী চীংলগা পুরকউ, চাক চখোম অমতা ওইরসু পীজনবা, মানা তুমনিংলক্লবদি চাবা থকপগা চংবাপোৎ নৎতে।

থম্বালতোম্বী :- ঐ অমুক্তা য়েংলুখিগে, ঙসিসে নহালখৈগা ইমান মান্নদে নচানুপীসে, মোয়বাবা চাক্তো চাখৎপা হৌগৎপিরল্লো (চৎখিবা)।

থাগোই :- হোয় হোয় ... হঙ্গাম চমথোং মৈথক্তগী থাংথরকপদা ঙাইরিবা সিগা, য়োংচাক শিংজুসিগা চাক ফোং ফোং শাবসিগা চাবসিদি... করি হংঙুনি ... উম... হাওরে হাওরে... নোয়সু লাকওনে প্রপ প্রপ চাকসে চাররোনে (চাক চানা চানা ঙাংবা)।

থম্বালতোম্বী :- ইবেন্মা লাকও চাক খরা চাথোক্লরো, চাক চাদনা তুল্লবদি নশাদু হয়েং অয়ুক ইচোক চোকথরনি, লাকওনে...।

থাদোইসনা :- ইমা ! (য়াম তপ্পা হৈনিংদনা খুম্বা)... ইশাসে য়াম নুংঙাইতরে... করিমতা চানিংবা ফাওদরে।

থন্বালতোন্বী :- কৈদৌরগে নঙবো... হায়মা মশাসি ওন্থোক্না শারেনা, লাইহৌসু কন্না হৌরে... মোয় বাবা... মোয় বাবা ইবেন্মসে মশা য়াম কন্না শাগৎলে (কন্না পাখৎনা কৌবা)। মখোংসিনা উনমুক ইংলে, ময়াংলেনসিনা মৈমুক শারে, ইস কমায় তৌনিসিদি, ইবেন্মা সে ইমা নয়াংলেনসে ফী অমোনবসিনা নান্থবীগেসে...।

থাদোইসনা :- ইমা খনাওসে খ্রক খ্রক কংলে ঈশিং খজিক্তং থক্কেবা।

থাগোই :- হায় মমা, ঈশিং ফজনা লুমথোক্লগা ইংথহনলবা ঈশিং লৈহৌবরা, গ্লাস অমতা হৈরগা পুরকউনে।

থন্বালতোন্বী :- হোয় লৈহৌই পুরক্কে, নচানুপীসে অমুক্তা মমায় মমীৎসে ফী অমোনবসিনা অমুক্তা নান্থোকপীরম্মু।

থাদোইসনা :- কোকসিসু য়াম্না চীক্লে বাবা, কোকসে অমুক্তা নন্বীয়ু...অয়ো... অয়ো... অয়ো...।

থন্বালতোন্বী :- সে সে ইমা ঈশিং ইল্লক্কে সে, তপ্না তপ্না থকউসে (ঈশিং ইনবীবা)।

থাদোইসনা :- (ঈশিং থকপা) য়ারে ওকএ, খনাওসু নারি নারি তৌই, ইসাশিসু য়াম্না চোকথরে, ইমা ঐগী খোঙ খুৎসিসু ইনা নারে।

থাগোই :- নঙবু ঙসাই কোলেজদা করি করি চাশিল্লুরগে, হৈরা, শীংজুগা চাশিল্লুরবরা, পক্লদবা পোৎকা চাশিল্লুরবরা হায়বনি।

থাদোইসনা :- বাবা ঐ করিসু চাদে ঙসিদি কোলেজদসু, ঙসাই ক্লাস য়াওরিঙৈদগী ইশাসে খরা খরদি অদুম খীরুম খীরুম তৌবা হৌরবনি, সুম ফখিদরা খল্লম্বনি অদুবু হৌজিক প্রপ প্রপ লাইহৌ কন্না হৌজিল্লকইসিনি।

থন্বালতোন্বী :- (পাখৎপা) মোয় বাবা ইচানুপীসিসু মোয়গী হৌজিকালগী লায়না কাংনা শন্দোকই হায়বা য়াম্না শাথিবা লায়নাশিংদু নারবজাৎলা হায়মী নত্রগনা হৌজিক মীয়াম্না য়াম্না কীনরিবা লায়না করি হায়গেনে ... উম... আ... ভাইরসনা শন্দোকপা লায়নাদু ওইরজাৎলা হায়মী।

থাগোই :- নঙসিদি থন্বালতোন্বী, ওন্থোক-ওন্থোকপা ৰা ঙাক্তা ঙাংঙিহে, অইং-অশা ওন্নরকপগী অদুক লোক লাইহৌ তৌবা ওইরমগনি, ইচানুপী করিসু তৌদে করিসু তৌরল্লোই।

থাদোই :- ইমা ! পুকসে য়াম নারে, ইমা... ইমা... কোকসিসু চীকপনা কাইদৌরে, ইমা ঐ য়াম ৰারে... ইমা...।

থন্বালতোন্বী :- মোয়বাবা ! ঐ ইচানুপীগী মতৌসে য়েংবা ঙমদরে, হোস্পিটালদা পুরসিরা, কমাই তৌসিগে, হৌজিক নুমিদাংসিদদি দোক্তর অমতসু য়ুমদা য়েংবা লাকপীয়ু য়ারোই, ঐখোয়গা য়াম্না মুন্না খঙনবা দোক্তরসু অমতা লৈতে, কমাই তৌনি।

থাগোই :- হয়েং অযুক ঙন্তা দোক্তর মঙালসনাগী মনাক্তা পুদুনা য়েংলুরসি, ৰারসু ৰানা ঙসি অহিংসিমতংদি খাংলসি, ইবেন্মা সে ঙহাক্তং তুমথবা য়াবরা য়েংঙুসে।

-ম্যুজিক-

(মফম: দোক্তর মঙালসনাগী য়ুম, মতম: অযুক অঙনবা)

লানঙন্বা :- মঙালসনা নঙবু হৌগৎলবো, অনাবা য়েংবা লাকপা মীনা মমাং শঙ্গোইসে পীক থনহৌরে।

মঙালসনা :-হৌগৎলে হৌগৎলে তাচৌ, ঐ অমুক্তা ৰাশরুম চংলুখিগে, থুনা লোয়শিল্লগা থোরক্লগে।

লানঙন্বা :- হোয় হোয়, তাচৌনা নঙগী ব্রেকফাষ্ট কা লোয়না শেমদুনা থল্লবনি, নশা-নউ শেংদোরক্লো, মপান্দা লৈরিবা মীয়ামসিদা মিনট খরদং ঙায়বীনবা হায়রুখিগে, অৰা-অনা, অনা-অয়েক তারবা মীওইশিংবু লুনা চান্না নুংশিনা তৌবগীদবনি, হেক ঙল্লিবমখৈ মখোয়গী পুক্লিং পেন্নবা হোৎনবীগদবনি, অৰা-অনা থীবা য়াদেকো।

মঙালসনা :- হোয় তাচৌ, তাচৌনা ফনবা অমুক্তা শীনবীরম্মু।

থম্বালতোম্বী :- মোয়বাবা, দোক্তরসিবু কৈদৌরজাৎনো হৌজিক ফাওবা অনাবা য়েংবা হৌদ্রিসিবো, ঙসিসিবু য়েংলরোইদবা জাৎলনে।

থাদোইসনা :- ইমা... বাবা... ঐ ফম্বা ঙমশিল্লক্তরে... সে ফানশাংসিদা অমুক্তা হীপথগে।

লানঙন্বা :- (থোরকপা) ময়াম পুন্নমক ৰারৌবীবা য়াদে, ঙহাক ঙায়নরে, দোক্তরদু ঙরাং অথেংবদা অনাবা অরুবা অমা য়েংবা চৎলুবদা নোংঙাল্লমদাইদা হল্লকই অদুনা অযুক্কী অনাবা য়েংবা মতম চানা য়েংবা হৌবা ঙমজদবগীদমক ময়াম পুন্নমক্না ঙাকপীগনি, অনাবা য়েংবা ঙহাক্কী মতুংদা শোয়দনা হৌজরগনি।

থাগোই :- ইবুংঙোবু লানঙন্বা নৎতরনে, নয়াম্ববু কাওরবো?

লানঙন্বা :- এ ! তাদা থাগোই, মানিনে ঐ লানঙন্বনিনে, কনা কৈদৌবা য়াওরগে, অনা অয়েক য়াওরবো।

থাগোই :- ইচানুপী থাদোইসে ঙরাংদগী মশা শাগৎতুনা, লাইহৌ কন্না হৌদুনা নারে, হৌজিকানসিদি দোক্তর য়েংদনা হীদাক অমা হেক্তা থাজিনবদুসু নুংঙাইতদুনা থাজিনদরে, দোক্তর লানঙন্বা য়েংগে হায়দুনা ইচানুপীসে পুরগা লাক্লিবনি নতৈমগা লোয়ননা।

মঙালসনা :- (থোরকপা) অনাবশিং অহান-অকোনগী মতুংইন্না মথং-মথং ওইনা লোয়না য়েংজগনি, অহানবা চংবীরকও।

থম্বালতোম্বী :- মোয়বাবা, লাকও ইচানুপীসে অমুক্তা হান্না য়েংবীনবা হায়বীয়ু, মশাসে লোয়না তুকথখরে।

লানঙম্বা :- সোমদা ইবেম্মদু শন্নগা পুশিনবীরক্লো ইতৈমা, তাদা চংবীরক্লো হেক্তা।

মঙালসনা :- শোমদা অনাবদু বেডসিদা অমুক্তা হীপথহনবীয়ু ঐ অমুক্তা য়েংজগে।

থাগোই :- থম্বালতোম্বী ! নচানুপীসে অমুক্তা ফজনা শন্বীয়ুনে অদুগা অমুক্তা ফজনা বেডতুদা হীপথহল্লু।

মঙালসনা :- স্বর শাংনা শাংনা অমুক্তা হোনবীয়ু, ... আ... লৈদু অমুক্তা তীংথোকপীরকউ।

থাদোইসনা :- দোক্তর ! ঐগী অনাবসিবু করি লায়নানো ইশাসে খঙশোন শোন্থখরে, ঐসিবু করি তৌরজাৎনো কোরোনা ভাইরসনা ইনফেক্ট তৌরজাৎলা নত্রগা দেঙ্গি, মেলরিয়াগা নারজাৎলা (স্বল থবেৎ থবেৎ হোনবা)।

মঙালসনা :- কৈসু তৌরোইদা, চুম্নসুম ৰেদর চেঞ্জ তৌরকপসিদা তৌবা ওইগনি। অদো খুরা ঐনা ইজরিবা হিদাকশিংসে মতম চানা চং নাইনা পীজবীয়ু অদুগা ব্লড টেষ্ট অমুক্তংদি তৌথোক্লগা য়েংসি।

থাগোইসনা :- ইবুংঙো দোক্তর করিগীনো ব্লদ টেষ্ট তৌগদৌরিবসিবু, ঐগী ইচানুপীসিবু অরুবা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা লায়না নারব্রা?

মঙালসনা :- খুরা করিমতা পাখৎপিগনু, থোইদোক্লা কিনিংঙাই ওইবা অনাবদি ওইরোই, চুম্নসুম ব্লদ টেষ্ট অমতং তৌথোকসি হায়বনি, করিসু পাখৎনিংঙাই ওইদে।

থম্বালতোম্বী :- অদুদি ইবুংঙো দোক্টর, হৌজিকমক ব্লদ টেষ্ট তৌথোক্লুরগে।

মঙালসনা :- অহোয় তৌবীরুরো অদুগা রিজল্ট পুরগা অমুক লাকপীরো, মরকসিদা নুংঙাইতবা লৈরসু অদুম লাকপীয়ু, হোস্পিটালদা ওইনা লাকপীরসু য়ানি। অদুগা ইন্দোল অনাবসে মহী-মনাইগী শরুক য়াম্না পীথকপীয়ু।

থাগোই :- অদুদি লানঙম্বা ! ঐখোয় অমুক য়ৌরগে, লাকও ইবেম্মা চৎলসি, ইপা শন্বীগে লাকও।

লানঙম্বা :- ঐ অস্বাই ফাওবা থীনদোকচগে, লাকপীরো তাদা।

থম্বালতোম্বী :- ইবুংঙো, দোক্তর মঙালসনাসিবু ইবুংঙোগী কনা ওইবীরবনো?

লানঙম্বা :- ইতৈমা, মঙালসনাসে ঐগা হেক পোকমীন্নজবা ইনাওনুপানি, ইমাগা বাবাগনা ঙস্তা লৈখিদবদগী ঐনা মাবু কোইশেন শেন্নজদুনা য়াম্না ৱানা দোক্তর তমহনজরকপনি, হৌজিক্তি মা মীয়াম্না শকখঙবীরবা দোক্টর অমা ওইবা ঙমজরে, ঐগী হোৎনজমল মহৈ য়ানজরে ইতৈমা।

থাগোই :- ইবুংঙো লানঙন্বসিসু ইচম-চন্বা মী নৎতেনে, থন্বালতোন্বী ! ইনভাইরোন্টমেন্ট ডিপার্টমেন্টকী দিপুটি দিরেক্টর ওইরিবনি হৌজিক হৌজিকসে। অদুদি ইবুংঙো ঐখোয় অমুক চৎলেকো, নঙসু নোং ফাদোক ঐখোয়দসু কোইথোরকউদনা।

লানঙন্বা :- হোয় তাদা লাকচগে, অদুদি ঐ সুম লৈজহৌরে। (গাড়ী থৌখিবগী মখোল) ইস ! অনাবা য়েংবা লাকপা মীয়ামসিদি ওন্থোক্লা য়ামখ্রেদা, মীশিং হেনগৎলকপগী মতিক অনাবা মশিংসু অসুম অসুম হেনগৎলকই, ভাইরস, বেক্টিরিয়ানা শন্দোকপা লৌনগনবা লায়নাসু অসুম অসুম হেনগৎলক্লি, মালেম পৃথিবী অসিদা লৈরবা মীওইবা ঐখোয়না থৌশাদবা, চেকশিন্দবা ঙহাক ঙহাক্কী নুংঙাইরগা লোইরে খনবা,ইশা-ইশাগীদং খনবা তুঙদা করি থোক্লক্কদগে খন্দবা মরম ময়ামসিদগী মালেমসিগী শক্লোন শক্তম কাইরকপদা নৎতনা অইং-অশা, নোংজু-নুংশাগী খলদা চাওনা অকায়বা ওইরক্তুনা ক্লাইমেৎ চেঞ্জ ওইরকপদগী কীরা কীরবা লৌনগনবা লায়না কয়া থোরক্তুনা মীওই কয়াগী পুন্সিবু মাংহনলক্লি। ইহে পুংসিদি নিপাল হেল্লেনা, ওফিসসু খরা ঙন্না কাগদবনি ঙসিদি...।

-ম্যুজিক-

(মফম: লানঙন্বগী য়ুম, মতম: নুমিদাং, টি.ভি. থাবগী মখোল)

লানঙন্বা :- মঙালসনা ! হৌজিক মালেমগী মফম অয়াম্বদা লৌনগনবা লায়নাশিং, কাংনা শন্দোকপা লায়নাশিং মেলরিয়া, দেঙ্গি, ৱেষ্ট নাইল ভাইরস, চিকনগুনিয়া, য়েল্লো ফেবর, জপানিজ ইন্সেফেলাইটিষ্টনচিংবা লায়নাশিং অসিসু মালেমগী শাবা হেনগৎলকপদগী হান্না শন্দোক্লমদবা মফম কয়াদসু শন্দোরক্লি, অসিদসু নৎতনা হৌজিক মালেমগী মফম কয়াদা শন্দোরক্লিবা কোরোনা ভাইরস অসিসু ঐখোয়গী লমসিদসু পাকতক্লনা শন্দোরকপা য়ারিবনি অদুনা ঐখোয়না য়াম্না চেকশিনবা দরকার ওইরে।

মঙালসনা :- অচুম্বনি তাচৌ, সমুদ্রগী ঈশিং শাবগী চাং ৱাংখৎলকপা, ক্লাইমেৎ পের্তনদা অহোংবা অকায়বা কয়া ওইরকপসিনা মরম ওইরগা লৌনগনবা লায়নাশিং পাক শন্না শন্দোরক্লবা মরম অমসু ওইরক্লিবনি। মসিদসু নৎতনা ঊনগী শরুকশিং শৌদোরকপদগী মতম কুইনা ঊনগী লৈরোলনুংদা ফুমজিন্দুনা লৈখ্রবা মাইক্রো-ওর্গানিজমশিং অমুক নৌনা মশা কনখৎলক্তুনা মালেমসিদগী মুৎখ্রে খল্লুরবা লায়না কয়া অমসু নৌনা শন্দোরক্লিবনি।

লানঙন্বা :- নঙনা মালেমসিদগী মুৎখ্রে খল্লুরবা লায়না হায়রগা ইয়ান্বদি এন্থ্রাক্স হায়রিবা লায়নাদু নীংশিংলকই। এন্থ্রাক্স লায়নাসি মালেমসিদগী ইং ১৯৪১ অদুৱাইদগী পুংমুৎ মুৎখ্রে হায়না খন্নরুরগা অমুক হন্দক্তা ইকুই কুইদ্রিঙৈ ইং ২০১৬ তা য়ামেল পেনিনসুলা হায়রিবা রুসিয়াগী সাইবেরিয়াদা লৈবা মফম অসিদা পাকতক্লনা শন্দোরকপদগী মীওই কয়া শিহনখি অমদি অৱা-অনা তাহনখি।

মঙালসনা :- এন্থ্রাক্স লায়না থোকহল্লিবা বেসিল্লস এন্থ্রাসিস হায়রিবা বেক্টেরিয়া মখল অসি মতম কুইনা ঊনগী লৈরোলনুংদা ফমজিন্দুনা লৈরুরবা মতুংদা গ্লোবেল ৱার্মিংনা মরম ওইরগা ঊনগী শরুকশিং শৌদোরকপদা য়াওরক্তুনা অমুক এক্টিব ওইরক্তুনা মীওইবশিং অমদি শাশিংদা শন্দোকপা হৌরকখি।

লানঙন্বা :- উম পুন্নমক অচুম্বনি নঙনা হায়রিবদো, হৌজিক্তগী চহি ৭৫ রোমগী মমাঙদা রেনডিয়ার হায়রিবা শা মখল অসি পাকতক্লনা এন্থ্রাক্স লায়নাসি নাদুনা শিখি, হায়রিবা অশিবা রেনডিয়ারশিং অসি য়ামেল পেনিনসুলাগী ঊন মপাক মপাক্কী লৈরোলশিং হায়বদি পরমাফ্রোষ্ট শরুকশিংদা ফুমজিনখি, হায়রিবা মফম অদুগী শাবগী চাং অসি সেলয়িস ডিগ্রী ২৫দগীনা ৩৫ ফাওবা য়ৌনা শাগৎলকপদগী ঊনগী শরুকশিং শৌদোরকপদগী অশিবা রেনডিয়ারশিংদুগী মশাদা য়াওদুনা লৈরম্বা বেক্টেরিয়াশিং অদু অমুক নৌনা মপাঙ্গল কনখৎলক্তুনা লায়না শন্দোরকপা হৌরক্লিবনি।

মঙালসনা :- তাচৌ ! পুন্নমকসে ক্লাইমেৎ চেঞ্জনা ওইহনলক্লিবনি। ক্লাইমেৎ চেঞ্জ, গ্লোবেল ৱার্মিং অসি হৌজিক মালেমসিগী ওইনা য়াম্না খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা প্রোব্লেম অমা ওইরক্লে হায়বসি মীপুম খুদিংমক্না খংফম থোক্লবনি অদুবু মীওই অয়ান্বদি করিসু থৌশানদে।

লানঙন্বা :- মালেমসিদা খংশা শাগৎলকপা, খঙইং ইংশিনলকপা, হিট ৱেবস, কোল্ড ৱেবস অমদি টোর্নাদো, টাইফুন, ঈশিং-ঈচাও, উমং কয়া খঙহৌদনা লাম্মৈ চাকপা হায়বদি ৱাইল্ড ফায়রনচিংবা তোয়না তোয়না থোরকপা মরম ময়ামসিনা মীওইবগী হকশেলদসু চাওনা অকায়বা ওইরক্লি।

মঙালসনা :- তাচৌ ! মেলরিয়া লায়নাসিসু হৌজিক শাবা হেনগৎলকপদগী মালেমগী মফমশিংদা শন্দোরকপগী চাং ৱাংখৎলক্লি, মালেমসিদা লৈরিবা অপুনবা মীশিংগী তংখায় অমরোমদি মেলরিয়া লায়না নারকপা য়াবগী অকীবা লৈরবনি, ইং ২০১৫ দা চাওরাক্লা মীওই মিলিয়ন ২১৪ রোম মেলরিয়া লায়না নাবগী রিপোর্ট লৈখি অদুগা শিবগী মশিংনা লাক্ষ ৪,৩৮,০০০ রোম ওইখি।

| | | |
|---|---|---|
| লানঙন্বা | :- | পুন্নমকসি ক্লাইমেৎ চেঞ্জ ওইরকপদগী থোরক্লিবনি, দেঙ্গি ফেবর অসিসু ইং ১৯৭০ দগী মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা শন্দোরকপগী চাং ৰাংখৎলি। হৌজিক হৌজিক অকিবা ফংনা শন্দোরক্লিবা কোরোনা ভাইরস অসিসু ক্লাইমেৎ চেঞ্জ ওইরকপা অমদি পাকতক্লনা উমংগী শরুক মাংশিল্লক্লিবা অসিগা য়াম্না নক্লবা মরী লৈনৈ। |
| মঙালসনা | :- | অচুম্বনি তাচৌ, উমং-ৰামংগী শরুক অয়াম্বা মাংশিনলক্লবনিনা, লম্লক্কী শাশিং লৈফম লৈরক্তদুনা মীওইবা ঐখোয়না লৈরিবা মফমশিংদা নক্না লাক্তুনা লৈরকপা মরম ময়ামসিদগী শাশিংগা লোয়নদুনা লৈবা ভাইরস, বেক্টেরিয়াশিং মীওইবা অমদি অতোপ-অতোপ্পা শাশিংদা লায়না শন্দোকপা ঙমহনলক্লবা মরম ওইরকই। |
| লানঙন্বা | :- | ইচিল-ইনাওগী ৰারিসে শাবা হৌখ্রবদি লোয়বা নাইররোই, থেংখরে চাক চাথোক্লবা তৌরুরসি, ঙসাইনা ঐনা হোট কেসতা হাপচিনলগা থল্লবনি (ফোন রিং লাকপা)... কনানোনে হৌজিকপু তাঞ্জা কাইনা ফোন তৌরকইসিবো... হল্লো... হল্লো... (রিসিপ্ত তৌবা)। |
| থাগোই | :- | লানঙন্বা চাক চারবো নোয়বো...। |
| লানঙন্বা | :- | এ ! কনা... কনা ওইবীরবনো ঐবু ভাব অমা তাজদরে... আ কনা...। |
| থাগোই | :- | হায় ঐ নয়াম্বা থাগোইনিনে, নঙনা নহান নঙগী ফোন নম্বর ঐঙোন্দা পীরকপদু কাওরবো। |
| লানঙন্বা | :- | এ... এ... তাদা ঐ খঙজরুদরে ৰারৌবীবা য়াদেকো... ঐ ঐখায় মঙালসনাগা হৌজিক্তা চাক চাসিরা হায়দুনা তৌজরল্লিবনি। |
| থাগোই | :- | পাও নুংঙাইবা অমা তমগে হায়দুনা ফোন তৌরকপনিদা...। |
| লানঙন্বা | :- | করি পাওনো নুংঙাইবা হায়বো, থাদোইসনাদি নাবা ফরবো কমাই তৌরগে। |
| থাগোই | :- | ইচা থাদোইসনাগী পাওনিনে ঐনা তমগে তৌরিসে, থাদোইসনাদো নহাল ইবুংঙো দোক্টরনা পীবা হীদাকশিংদু চাবদগী ইচানুপীদো নাবা পুরা ফরে, মাগী ব্লড টেষ্টকী রিজল্টতুদসু লায়না মখল অমতা পোজিটিব ওইরমদরে, মদুগী নুংঙাইমনখ্রদুনা নঙোন্দা ফোন তৌরকইনে, পাওসে ইবুংঙো দোক্টরদা খরা তম্বীয়ু। |
| লানঙন্বা | :- | হোয় হোয় ফনি তাদা, ঐসু নোংমা কোইথোকচরক্কে। অদুদি তাদা ফোন থমজরে। |
| মঙালসনা | :- | (ফোন রিং লাকপা) চাক লাম্মকানসিদা ঐঙোন্দা অমুক নম্বর খঙদবা ফোন অমমুক লাকশিনলেনে তৌরিসে... অস ঙসিসে ফোন রিসিপ্ত তৌনরিঙৈদা চারা হেনবা শোয়রোয়সে...। |

লানঙন্বা :- কোক হেক রিসিপ্ত তৌ কৈদৌগে, কনানো হংঙুদনা অথুবা থবক ওইরম্বসু য়াই, ঐ চাক চাননবা শেম শারল্লগে প্রপ প্রপ লাক্লবা তৌরো।

মঙালসনা :- হল্লো... হল্লো... কনা ওইবরিবনো?

থাদোইসনা :- দোক্টর ! ঐ থাদোইসনানে নহাল নোংমা দোক্টরদা লায়েংবা লাকচরম্বদুনি, দোক্টরনা য়েংবীবদগী অনাবা ফজরে অদুগী থেঙ্কস হায়জগে হায়দুনা ফোন তৌজরকপনি।

মঙালসনা :- ওহ ! অদুদি ঐসু য়াম্না নুংঙাইজরে, দোক্তর ঐখোয়না য়েংজবা পেসেন্তনা অনাবা ফরকপা হায়বসিনি ঐখোয়না খ্বায়দগী নুংঙাইজরিবসু, নাবা ফরগা ঐবু নীংশিংবীরকপগীদমক ঐনসু অদোম্বু থাগৎচরি।

থদোইসনা :- দোক্তরগা অমুক্তং উনজরগা থাগৎপসে মপুং ফানা ফোংদোকচনিংবা অদুনা অমুক্তং উনজবা য়াগদরা।

মঙালসনা :- করিগী য়াদনি হায়গে, অদোম্না লাকপীনিংবা মতম অমদা হেক্তা হোস্পিটালদরা ঐখোয়গী য়ুমদরা হেক্তা লাকপীয়ু অদুবু অদোম্না লাকপীবা তারবদি ফোন অমতং হান্না তৌবীরক্লগা খঙহনবীরকউ ।

থাদোইসনা :- য়াম নুংঙাইজরে দোক্তর না হরাও-হরাও য়াবীরকপসে ঐ শোয়দনা লাকচরগে অদুদি ফোন থমজরে।

-ম্যুজিক-

(মতম: অয়ুক অঙনবা, মফম : থাগোইগী য়ুম, নুংশিবা উচেক-ৰায়াগী খোঞ্জেল)

থম্বালতোম্বী :- ইবেম্মা ! নঙবু লাইরিক পারিবরো, সে সে ইচাগী শঙ্গোমগা ব্রেদকা লৈরেসে, টেবলসিদা থম্লগেকো।

থাদোইসনা :- হোয় ইমা, ইগজামসু কুইদরে, ঐদি নুমিৎ মরি-মঙানিসু নাদুনা লৈরুরবনিনা লাইরিকসু পাগদবা ময়াম অমা পাহৌদরে অদুনা খরা ঙন্না হৌগৎলগা পাগে হায়দুনা পারল্লিনি।

থম্বালতোম্বী :- হৌজিক্কী কীনরবা লায়না অমতা ইচাদা নাবীরমদবসে ঈশ্বরনা থৌজানবীরবনি, ইমাদি পাখৎপনা লোয়রুরবনি।

থাদোইসনা :- ঐসু ইতোমতা ঙকই, কদোমদগী কমদৌনা হৌরকপা লাইহৌনো, কোকসু কায়দৌখৈ চীকই, পুকসু য়াম্না খাংফম খঙদবমকৈ নাই, ওসু য়াম্না ওনিংঙি, তাং তাংসু লোয়নমক নাই, ইতোমতা ঐসে কাংনা চীকখিদুনা দেঙ্গি নারবরা খল্লুরবনি, ঐসে শিদৌরজাৎলা ফাওবা ইতোমতা নীংলুরবনি।

থম্বালতোম্বী :- অদো ইবেন্মা ঐখোয়দি ইবুংঙো দোক্তরদুগী মনাক্তা অমুক চেক-অপতি অদুম চৎলুদরে, ঐখোয় মীওইবসে নাবা খীৎতংবু ফরক্লবদি দোক্টরদা অমুক চৎতুনা য়েংহনলুবগসে হেক্তা থওইনদে।

থাগোই :- (হোবে হোবে লাকপা) থম্বালতোম্বী ... থম্বালতোম্বী... কদায়দা লৈগেনে নোয়বো...।

থম্বালতোম্বী :- (থোরকপা) কৈদৌরগে মোয়বাবা, কৈনো অদুক পাখৎনা লাকপীরিদুবো, কৈদৌনবা য়াওহৌরগে।

থাগোইসনা :- হৌজিকসে মালেমগী মফম অয়াম্বদা য়াম্না কীনিংঙাই ওইরবা কোরোনা ভাইরস হায়দু শন্দোরক্লে হায়দাইনে।

থম্বালতোম্বী :- হোয়নে অদু কৈদৌরগে হায়বা, ঐখোয় স্বাইদদি হৌজিকমক্তি লায়না অদু নাবা মীওই অমতা লৈত্রি হায়দাই।

থাগোই :- ঐনা হৌজিক লম্বীদা সুম লাকপদা মী ময়াম্না হায়নহৌববু, ঐখোয়গী মমাং লৈকায়গী মীওই ১০মুক লাইহৌ তৌদুনা স্বর হোনবা ৰাবগী লায়না লায়ওং য়াওনা কন্না নাদুনা লৈরে হায়নহৌই। ঐদি য়াম্না পাখৎলে, নচানুপীদি কদায়দা লৈগে।

থম্বালতোম্বী :- মাগী কাদা লাইরিক পাহৌরি, মোয়বাবাগী চা অমুক্তা লৌরুখিগে, খবর সিদা লৈরে খবরসিদুম পাবীয়ুসে (চঙখিবা)।

থাগোই :- তনবু তল্লেদা খবরগা পাদৌবা, কোভিদ-১৯ মালেমগী লৈবাক ৭৮ দা শন্দোকখ্রে, শন্দোরকপগী চাং অসুম অসুম ৰাংখৎলক্লি, শিবগী চাংসু অসুম অসুম হেনগৎলক্লি... অস পারোইদা খবরগা অমতা মীশি মীনাগী পাওগী পাও ঙাক্তা (খবর হুন্দোকখিবা)।

থাদোইসনা :- বাবা কৈদৌরগে খবরদু শুরু শুরু তাশিনলগা লৈমায়দা লংথোক্লিদুবো।

থাগোই :- ইপা পানিংলক্ত্রবা, ইবেন্মা নঙসু নশাদু নারুবদগী ফগৎলকপদা ঙাইরিবনিনা মতম খরদি য়ুমদা পোত্থাদুনা লৈয়ু, কোলেজগা অমতা কাখিগনুকো।

থাদোইসনা :- হোয় বাবা য়ুমদা সুম লাইরিক পারগা লৈগে। হৌজিক ওইরক্লিবা মফম খুদিংদা লৌনগনবা লায়না শন্দোরক্লিবা অসিদগী ঐখোয় চেকশিন্না ইশা ঙাকথোকচনবা তৌদবা য়াদবনি, ঐদি নাবসু ফরকপদা ঙাইরি অদুনা চেকশিন থৌরাং ফজনা লৌখৎহৌদ্রবদি খুদোংথিবা নঙবসু য়াই। অদো বাবা ৰা অমতা হায়গেনা।

থাদোইসনা :- করি ৰানোনে নঙনা হায়গে হায়রিবো, ইচানা হায়নিংবদা হায়য়ু, ইচানা হায়বা খুদিং ইপানা য়াদবা করিবু য়াওখ্রগেনে, হায় মমা নঙগী চাদুবু পুরক্লোনে, কৈদৌরগে হৌজিক ফাওবা পুরক্ত্রিসিবো।

থন্বালতোন্বী :- পুরকএ পুরকএ, হো অমুক ইংঙমদনা শাহনলক্লিনি, সে সিদা লৈজরে।

থাগোই :- (চা চীংবা) ইচানা হায়গে হায়বা ৱাদু হায়রোদনা।

থাদোইসনা :- উম... তামো লানঙম্বগা মাগী মনাওনুপা দোক্তর মঙালসনাগদো...।

থন্বালতোন্বী :- হা ! মোয় মচীন-মনাও অনিদু কৈদৌরগে হায়বনি। হা নারে হায়বরা মোয়বো... কৈদৌরগে হায়বনে... (পাখৎনা)।

থাদোইসনা :- ঐখোয় ইমাগী হৌনবী মেন মান তাদনা পাখৎপীদু অমুক হৌরক্লবরা? মী মশাসু দোক্তর ওইরিবা অদুগা অমুক ময়াম্বদুনা ইনভাইরোন্টমেন্ট সাইন্টিষ্টসু ওইরিবা মখোয়বু নাই হায়ব্রনে।

থন্বালতোন্বী :- কৈনোনে নঙনা হায়রিদুবো ইবেম্মা, দোক্তরসু মীনি, সাইন্টিষ্টসু মীনি, মোয়না অহে-অশীংনি, অখঙ-অহৈনি কায়না মোয় মোয়গী শিবগী মতম ঈশ্বরনা লেপপিরকপা মতমদুদগী নাম্থোকপগা য়াপোৎ নৎতে।

থাগোই :- (নোকপা) ইচা থাদোই, ৱাফমসিমদি নমানা চুমখরেহে, অদো নঙনা হায়গে তৌরম্বা ৱাদু হায়রোদনা।

থাদোইসনা :- দোক্তর মনাওনুপাদুগা ময়াম্বা সাইন্টিষ্টতুগা ঐখোয়দা চাক চরা অহাওবা অমতদি পীজসি হায়গে তৌবনিদা।

থন্বালতোন্বী :- এ ! অদু ওইরে ইচানা হায়গে হায়রিদুদি, মোয়বাবা ! হৌজিকমক চাকপাও হায়বীরুচো মোয় মচিন-মনাওদু, মোয়না শংগদবা মতম অমদা হেক্তা লাকপীনবসু হায়বীরম্মো।

থাগোই :- হোয় হোয় ফোনদা হায়দৌ শরুক ইপা হেক্তা চৎলগা হায়রুবদুনা ফরনি, ঐ হৌজিকমক হেক্তা চৎলগে।

-ম্যুজিক-

(মফম: থাগোইগী য়ুম, মতম: অয়ুক, মরা-মরাং থবক হাথু হাথু তৌবগী মওং)

থাদোইসনা :- টেবল, চৌক্রী, সোফগসে উফুল মচেৎ অমতা পকহনবা য়াদে, শিৎ নান্না থমদবা য়াদে, মী দোক্তর অমগা সাইন্টিষ্ট অমগা চাক চাবা লাক্তৌরিবনিনা অমুক্তা ফজনা তৈথোক নাম্থোকখিগে (মথন্তা ঙাংজবা)।

থন্বালতোন্বী :- কৈদৌরগে ইবেম্মা নঙবো নতোমতা মুরুম মুরুম শোন্দুনা লৈরিদুবো, চাক এঞ্জাং থোংবসে ঙহাক্তা য়াওরলাও কৈদৌগে, মীদি লাক্লনি।

থাদোইসনা :- হোয় হোয় লাকএ লাকএ।

লানঙম্বা :- তাদা... তাদা থাগোই ঐখোয় লাকএ...।

থাদোইসনা :- দা লানঙম্বা... আ দোক্তর সোমদা হেক্তা চংবীরকও... বাবা... বাবা... দাদা লানঙম্বাহোয় লাকএ।

থাগোই :- ইবুংঙো... সে সোফাসিদা ঙহাক্তং পোত্থাবা ওইনা লেংশিনবীয়ু, ৱারী ঙহাক ইচিল-ইনাও ঐখোয় চাক ঙায়বা ওইনা শাখিসি।

মঙালসনা :- ইন্দোলদি চাক থোংলিবরো, কদোমদা লৈগে ইন্দোলদি উদেনা।

থম্বালতোন্বী :- ইবুংঙো দোক্তর ইন্দোল নোয়না চানবা চাক থোংলুবনি, চাক থোংবদি অয়াম্বা লোইশিনলক্কে, চা অমমমতং হান্না থকখিসিরা, ইন্দোল চা লোনলক্কে।

লানঙম্বা :- য়ারনি ইতৈমা লোনবীরুরনু চাক ওইনা হেক্তা পেন্না চাথরদৌনি।

থাদোইসনা :- দাদা লানঙম্বা ! হৌজিক ঐখোয় মীওইবনা য়াম্না খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা লৌনগনবা লায়নাশিং মালেমগী মফম অয়াম্বদা পাকতক্লনা শন্দোরক্লিবা অমদি মীশি মীনা কয়া থোরক্লিবসিগা ক্লাইমেৎ চেঞ্জ, অইং-অশা, নোংজু-নুংশাগী খল কাইথরক্লিবসিগা মরি লৈনবরা?

লানঙম্বা :- উম য়াম্না নক্লবা মরী লৈনৈ, ৱার্ল্ড হেল্থ ওর্গানাজেসনগী রিপোর্ট মতুংইন্না ২০৩০দদি ক্লাইমেৎ চেঞ্জ ওইরকপদগী মালেমসিদা লৈরিবা মীওইশিংদা খোঙ হান্বগী লায়না নাহনবগী চাং চাদা ১০ হৌজিক ওইরিবা চাং অসিদগী হেনগৎলগনি হায়না হায়রি। মরম অসিনা পীক্লিবা অঙাংশিংগী হকশেলদা কাহেন্না শোকহনলগনি হায়না পল্লি, মালেমগী শাবগী চাং অসি সেলসিয়স ডিগ্রী অনিদগী অহুম ফাওবগী চাং য়ৌনাহেনগৎলকপা মতমদা মেলরিয়া নাবগী চাংসু চাদা ৩দগীনা ৫ ফাওবা য়ৌনা হেনগৎলগনি।

মঙালসনা :- শাবগী চাং ৱাংখৎলকপদগী তীল কাংশিংনা থোকহনবা লায়নাশিং ভেক্টর-বোর্ন পেরাসাইটিক দিজিজ, ঈশিংদগী থোকহনবা লায়নাশিং, ৱাটর বোর্ন দিজিজ থোকপগী চাংসু অসুম অসুম ৱাংখৎলক্লি।

থম্বালতোন্বী :- ইচাশা-ইনাওশা, ৱারীবুদি নুংঙাইহিরি অদো চাক হান্না অমুক্তা চাথোকখিসি।

থাগোই :- লাকও লাকও অঙাংশা, শীদৌবা থৱায়নি, হীংলিঙৈদা চাবা য়াবা খরা চাহৌরসি লাকওহে। কনানা খংনি অকি অকিবা লায়না কয়ানা মালেমসিদা অসুম অসুম শন্দোরক্তুনা মীওইবশিংসে মরু ফংনা মুৎখিবসু।

-ম্যুজিক-